চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

IMPHAL, SUNDAY, 20 MARCH 2016
নোংমাইজিং, লমতাগী ১২ নি পানবা
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 113 Page : 8 | Price: ₹3.00

ঙসিগী অঙীং–অশা : শাবগী চাং : ৩৪° সি, ঈংবগী চাং : ১০° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা : ২৮ | নোংজুগী চাং : ২ এম এম

HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
190LT REFRIGERATOR: 24" LED FULL HD, 7.2KG H11/13 WASHER: ₹29999/-
190LT REFRIGERATOR: 32" LED VIDEOCON, 7.2KG H11/13 WASHER: ₹35999/- TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR

TATA SKY FREE
HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32" (3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
22" FULL HD TV = ₹ 11000
24" FULL HD TV = ₹ 12000
32"+ SAMSUNG DVD = ₹ 19500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8290 = ₹ 7600
7.2KG H13 ₹ 9990 = ₹ 8500
7.3KG ₹ 11690 = ₹ 9500
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8500
170LT REFRIG: = ₹ 10000
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.


সুরগী তান্থাদা ধোলগী নাচোম হায়বা তপস্যাগী অনৌবা প্রদর্শনদা উৎখিবা ধোল চোলোম

## ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্নবা সি এল পিনা লেপ্লখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ১দগী হৌদুনা মণিপুরদা চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরিবা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্নবা অমসুং মসিগা মরি লৈনবা থবকশিং য়াংশিন্নবা ঙসি ফমখিবা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম্না ব্রারেপ লৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা চত্থখিবা সি এল পিগী মীফম অদুদা ইং ২০১৩দা য়ু পি এ গভর্নমেন্ট লৈরিঙৈগী মতমদা পাস তৌরম্বা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবা য়াদবনা লাক্লিবা এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা এক্ট অসি মপুং ফানা চৎনহন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ষ্টেটকী শেল থুমগী ফিভম ফত্রবসু মসি তৌদবা য়াদবা থৌরাং অমা ওইবনা এম এল এশিংনা মপুং ফানা থবক পায়খৎপদা মতেং পাঙনবা চীফ মিনিষ্টরনা এম এল এশিংদা পাউতাক পীখি হায়রি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়রিবা এক্ট অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক বজেটতা লুপা ক্রোর ৩০ হাপ্লে। এক্ট অসি মপুং ফানা থবক লৌখৎলকপা মতমদা হান্না টি পি দি এসকী থবক থৌরমশিং অদুদগী খেন্নবা কয়া লৈ।

এক্ট অসিগী মখাদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা পোৎলমশিং অসি দোরষ্টেপ দেলিভরি তৌগদবনা এম এল এশিংনা মসিগা মরি লৈনবা থবক লৌখৎপদা মতেং পাঙনবা চীফ মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

মসিগা লোয়ননা এজেন্টশিং নৌনা লৌগদবা লৈবনা মসি লৌবগী থবকশিং হেন্না য়াংশিন্না পায়খৎনবা ব্রাফমসু থমখি হায়রি। এজেন্ট হাপ্পগী মতাংদা নোটিফিকেসন থোক্তনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অথুবা মতমদা এজেন্টশিং হাপ্নবা থবক লৌখৎনবসু খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক এম এল এ খরনা দাবি কয়া তকশিল্লদুনা চং শিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা ঙসিগী সি এল পি মীফমদা করিগুম্বা ব্রাফম অমত্তা খন্নখিদ্রে।

মমাংদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কৌরবা মতুং উন্নদনা হল্লকখিবা অদু লাক্লিবা মার্চ ২১ দা উন্ননবা এপোইন্টমেন্ট পীরকপদগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবি অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম হয়েং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি। লোয়ননা লুচিংবা অনি অসিনা সোনিয়া গান্ধি উন্নরবা মতুংদা লাক্লিবা মার্চ ২২দা ইম্ফালদা হল্লক্কনি হায়রি।

## প্রাইভেট সেন্টর অহুমগী মখাতানা বোর্ডকী সেন্টর পীদনবা জে এস সি সিনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ থা অসিগী ১ দগী ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরদা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা মনুংদা মহৈরোই লুপ মরীগী অপুনবা বোডি অমা ওইরিবা জোইন্ট ষ্টুদেন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা ঙসি লোইখিবা পারিক্ষা মনুংফাওবদা ফাগৎলকপা নোটশিং বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরী সি ঐচ সরততা খুৎশিন্নখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ রোম তারকপদা জে এস সি সিগী মহৈরোইশিংনা বাবুপারাদা লৈবা বোর্ডকী ওফিসতা চৎতুনা সেক্রেটরী সরত তা পিশিনখিবা মশিং য়াল্লবা ফাগৎলবা নোটশিং অদু থা অসিগী ১১ দা তোঙান–তোঙানবা সেন্টর অহুমদগী ফাগৎলকখিবনি হায়রি। মহৈরোইশিং অদুনা সেক্রেটরীদা পিশিনখিবা ফাগৎলবা নোটশিং অদুগী মতাংদা হৈরোক প্রাইভেট সেন্টর, খাঙবোক প্রাইভেট সেন্টর অমদি শঙম্বুং প্রাইভেট সেন্টরদগী ফাগৎলকখিবনি হায়রি। মহৈরোইশিং অদুনা বোর্ডকী সেন্টর অহুম অসি মথংগী ক্লাস টেনগী পারিক্ষাদা সেন্টর পীদনবা ককপীয়ু হায়না ডিমান্দ তৌখি।

বোর্ডকী সেক্রেটরীগী মাইকৈদগী মহৈরোইশিংনা তাল্লিবা ডিমান্দ অদু হন্দক্কী থা অসিগী মনুংদা পাঙথোক্লগে হায়বগী অইবা চেরোল পীখি। মতুংদা জে এস সি সিগী কনভেন্নর জয়েন্তকুমার খুমন্না বোর্ডকী কমপ্লেক্সতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মমাংদা মেত্রিক পারিক্ষা অসি খোঙবান চেনবগী চৎনবী কয়া লৈরম্বা অদু চহী খরা লেপলুরবা মতুং হন্দক্কী পারিক্ষা অসিদা অমুক হন্না হৌরকপা হৌখি। জে এস এস সি সি গী মহৈরোইশিংনা টিম ১৩ শেমদুনা ঙসি লোইশিনখিবা মেত্রিক পারিক্ষা অসিগী সেন্টরশিংদা য়েংশিনবগী থবক চত্থখি। থা অসিগী ১১ দা হায়রিবা সেন্টর অহুম অসিদা চত্থখিবা য়েংশিনবগী খোঙচৎতা ইনভিজিলেটর তারিবা ওজাশিংনা পাউখুম চে অদু কার্বোন কোপী তৌদুনা মহৈরোইশিংদা পাক্তকননা নোট তৌহল্লম্বদগী ফাগৎখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙদি বোর্ডকী সেক্রেটরীনা সেন্টর অহুম অসি থা অসিগী মনুংদা কক্লগে হায়বগী থাজবা পীরকপা অসি তরাম্না ওকই। অদুবু মসিদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবসি জে এস সি সিনা অকনবা খোঙজং চং শিল্লগনি। সেন্টর অহুম অসি ককপদা পোলিটিকেল পার্টিগী খুৎ চংবা য়ারোই। করিগুম্বা খুৎ চংলক্লবদি মহৈরোইশিংনা চপ চানা থেংনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পব্লিক প্লেস অমা ওইনা থম্বা' হায়বসিদা নোংমগী মীয়ামগী মীফম পাংথোক্তুনা ব্রারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ 'শিংজমৈ গার্লস স্কুল কমপ্লেক্স, দাগ নম্বর ২৪০৯ অসি পাব্লিক প্লেস অমা ওইনা থম্বা' হায়বসিদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী খন্না নৈন্নবা মীফম অমা পাংথোক্তুনা ব্রারেপ কয়া লৌরে হায়রি।




শিংজমৈ অপুনবা নুপী লুপন শিন্দুনা ঙসি শিংজমৈ পার্কিংদা পাংথোকখিবা মীয়ামগী খন্না নৈন্নবা মীফমদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ডোক্তর ব্রাই মনি খুমন, য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, লৌসালগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনি, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, ইপাক্কী প্রসিদেন্ট সাপমচা জদুমনি, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট লোঙজম রতনকুমার, ইপসাগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম চিংখৈ লুব্রাংচা, অমাকসুগী জেনেরেল সেক্রেটরি সুখাম প্রেমজিৎ, অকোমলুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট চন্দ্রমনি খুমনচা, এমেসগোগী প্রসিদেন্ট রিভরেল ব্রাই রিঘাং চোথে অমদি শিংজমৈ অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট সাপম ইবেনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীফম অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ব্রাফমশিং ফোংদোক্লখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ব্রারোল পিরদুনা শিংজমৈ অপুনবা নুপী লুপকী জেনেরেল সেক্রেটরিনা হায়, শিংজমৈ গার্লস হায় স্কুল কমপ্লেক্স অসি পাব্লিক প্লেজ অমনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খংমীন্নবা মথৌ তাই হায়দুনা মীয়ামগী ওইবা খন্না নৈন্নবগী মীফম অসি পাংথোকপনি।

হায়রিবা জগা অসিদা কনাগুম্বা লনাইগী ওইবা ব্রাফমদা য়ুমফম ওইরগা থবক তৌফম থোক্তে। জগা অসি পাব্লিক প্লেজ অমা ওইনা থম্নবা হোৎনবদা শিংজমৈ মীয়াম্না অমত্তা ওইনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

শিংজমৈ গার্লস হায়স্কুল কমপ্লেক্স দাগ নম্বর ২৪০৯ জগা অসি পাব্লিক প্লেজ অমা ওইনা থম্বা, শিংজমৈ কম্যুনিটি হোল এন্দ লাইব্রেরি দিবলপমেন্ট কম্মিটি এক্সটেনসন তৌনবা ...মখা লমায় ৫ দা

## মোরেদা বোম য়াল্লম্লে, ক্বাকৈথেল ১দি শঙাইপ্রৌদসু বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ ঙরাং নুমিদাং মোরে পুলিসকী মনুংচনবা হিল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওফিস ময়াদা শকখঙদবশিংনা থম্লবা বো পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি কে এস ও মোরেনা বন্দ কৌখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা বোর্ডর ফেন্সিং ময়াদা লৈবা হান্না মোরে পুলিস স্তেসন ওইরম্বা মফমদা আই ই দি বোম য়ান্দুনা থল্লম্লে।



অমরোমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবদা শিংজমৈ পুলিসকী মনুংচনবা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকাইদা লৈবা এম এস কাঞ্চি ইন্দেন সার্ভিসকী কমপ্লেক্সতা শকখঙদবশিংনা লংশিল্লম্বা চাইনিজ হেন্দগ্রেদ অমা পোকখায়খ্রে। বোম পোকখায়বা অদুদা গ্যাস এজেন্সি অদুগী চৌকিদার শোকপদগী রিমসতা লায়কন্নখ্রে। বোমগী থৌদোক অনি অসিগী অহানবা অসিনা মোরেগী হান্না পুলিস ষ্টেসন ওইরম্বা অদুদা মশক খঙদবশিংনা অদুনা আই ই দি বোম অদু য়ানশিন্দুনা থল্লম্বনি। বোম অদু অঙাংবা মচুগী প্লাষ্টিক চেরং খাও অমদা হাপ্লগা য়ান্দুনা থল্লম্বদগী ঙসি অয়ুক অঙম্বদা মফম অদুদা চখোক–চৎশিন তৌবা মীওইশিংনা থেংনরকপনি। খুদক্তা মোরে পুলিসতা পাউ পীরবা মতুং ইম্ফালদগী মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং চংশিন্দুনা ঙসি নুংথিল লৌথোক্লবা মতুং পোকখায়হনখ্রে হায়রি। ঙরাং নুমিদাং হিল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিস ময়াদা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুগী মায়োক্তা কে এস ও মোরেনা য়ান্নিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি কৌখিবা মোরে বন্দনা মরম ওইদুনা মোরেদা ...মখা লমায় ৫ দা

## টি বি লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মীৎয়েং থম্লসিঃ ফুংজাথাং

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ ইন্দিয়া অসি পোলিও লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবগুম টি বি লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মীৎয়েংদা চংশিনবা মতম ওইরে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি ষ্টেট হেল্থ সোসাইতি, ষ্টেট টি বি সেল, দিষ্ট্রিক্ট টি বি সেন্টর ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ব্রেষ্ট, ভিহান অমসুং ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুরনা পুন্না খুৎশম্নদুনা জেনিসমকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা ব্রার্ল্ড টি বি দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ব্রারোল পীরদুনা হায়, ইং ১৮৮২ দা রোবার্ট কোকনা টি বি লায়না পোকহল্লিবা মহিক অসি পুথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবদা লায়না অসি মুখৎপা ঙমদনা লাক্লি।

পালন থৌরম অসি পাঙথোক্লিবসি ইচম চম্না পাঙথোকপা নত্তে। লায়না অসিগী লৈরিবা ষ্টেটস অদু খঙদোক্নবা হোৎনবনি।

ইং ১৯৯৮ দা আর এন টি সি পিগী মখাদা দোটস হৌদোকখ্রবা মতুং দা অনাবা চাদ ৮৫ গী চাংদা ফহনবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা এন ই ষ্টেটশিংগী মরক্তগী মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামদা এম দি আর টি বিনা নারবশিং চাংয়েং তৌনবগীদমক রিফরেল লেবোরেটোরি অমা রিমসতা ইং ২০১১দা হাংদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌদুনা এম দি আর টি বি অসি মতম চংদনা চাংয়েং তৌবা য়ানবগীদমক সি বি নেট হায়না খঙনবা মেছিন অসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জেনিমসতা হাংদোকপগা লোয়ননা চুরাচান্দপুর অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিং দসু মেছিনশিং ঙসিদগী শিজিন্নবা হৌদোকখ্রে। হায়রিবা মেছিন অসিনা পুং ২গী মনুংদা এম দি আর টি বি অসি চাংয়েং তৌদুনা খঙদোকপা ঙম্মী হায়রি। ...মখা লমায় ৫ দা

## ওজানা মহৈরোই নুপীমচা অমা মোলেষ্ট তৌবিখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ লমদম অসিদা হঞ্জিন–হঞ্জিন থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা মশামক্না মহৈ তম্বীরিবা মহৈরোই নুপীমচা অমা স্কুল অমগী ওজাসু ওইবা অমদি বোর্দিংগী ব্রার্দেন ওইবা মীওই অমনা মোলেষ্ট তৌবিখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা ওজা পুলিসনা ফাখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মমিং কৈশাম ইবোহনবী (৬১) কৌই, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগীনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ভিক্তিম ওইরবী মহৈরোই নুপীমচা অসি ইবোহনবীনা ওজা ওইরিবা য়াইরিপোক হায়স্কুলদা ক্লাস টেন তমদুনা হৌজিক চত্থরিবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থারিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিক্তিম ওইরিবী মহৈরোই নুপীমচা অসিনা পাউমীশিংদা হায়, মহাক য়াইরিপোক হায়স্কুলদা লৈবা ইবোহনবিনা ব্রার্দেন ওইবা বোর্দিংদা লৈদুনা মহৈ তম্বনি।

মখোয়গী বোর্দিং অসিদা নুপা মচা অমসুং নুপী মচা পুন্না লৈবনি। অদুবু নুপী ব্রার্দেন অমত্তা থমদনা ইবোহনবীনা ব্রার্দেন ওইদুনা লাকপনি। ঙরাং মমান্নবী অনিনা অতোপ্পা কা অমদা লাইরিক পাহল্লগা মহাক মতোমতা অতোপ্পা কা অমদা লাইরিক পাহনখি।

নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা ইবোহনবীনা লাক্লগা মমান্নবিশিংনা লৈরিবা কা অদুদা চৎসি হায়রকপদা মহাক্না মহাক লাইরিক পাখিগনি হায়দুনা য়াখিদে। মতম অদুদা ইবোহনবীনা মহাকপু মশা পায়দুনা চিংবগা লোয়ননা মোলেষ্ট তৌখিবনি। মহাক্না ফিভম য়েংলগা চেন্থোক্লগা মপান্দা কপ্পুনা লৈবদা অতোপ্পা মহৈরোইশিং খঙলকপদগী ইরাং হৌরক্তুনা। ইবোহনবীবু ফাখিবনি।

মরীলৈনবা পুলিস কাঙবু অমা লাক্লগা ইবোহনবীবু পুরগা চৎখিবনি। ভিক্তিমনা মহাক্তুম্বা মহৈরোইশিংদা নত্তবা মীৎয়েংনা য়েংবা ওজা অসি মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক স্কুল অসিদা ক্লাস আইটতগী চংবনি। মহাক্না হেক চংলকপদগী মহাক্কী ক্লাসকী মকোক থোংদুনতা লাকপনা ওজাশিংনসু মহাকপু লুনা চান্না তৌই। কে ইবোহনবীনা হৌখিবা মতম কয়া অমা মহাকপু নুংশিবা শারগা খুদোংচাবা লৌনবা কয়ারক হোৎনখিবনি। মহাক্না হায়দোকপা কিবদগী অমসুং শেঞ্জাও পায়বা মীশক ওইবনা করি তৌরক্কদগে হায়বা ...মখা লমায় ৫ দা

## মহৈরোইশিংনা লম কয়াদা হৈথোই শিংথোইবা উৎথোরকপসি য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি ঃ ভি সি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ লাইরিক্কী খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা হৈথোই শিংথোইবা মহৈরোই কয়া থোরকপসি য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি

ব্রাফম অসি ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (মুসু)না শিন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা ২০শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফেষ্টিবেল (এময়ুফেষ্ট) লোয়শিনবা অমদি মনা য়েন্থোকপগী এম য়ুগী সেন্তেনেরি হোলদা পাংথোকখিবা থৌরমদা অথোয়বা মীথুং লেন ওইখিবা এম য়ুগী ভি সি ঐচ এন কে শর্মনা ফোংদোকখিবনি।




এম য়ু ফেষ্ট লোয়শিনবা অমদি মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদুদা ভি সিনা মখাতানা ফোংদোকখিবদা, মমাংগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্কী এম য়ু ফেষ্টেবেল অসি স্পোর্টস অমদি লিতেররি পুন্না পাংথোকপসি য়াম্না কম্পোজিট ওই অমদি য়াম্না পুক্লিং থৌগৎনিঙাইনি। দিন ওফ ষ্টুদেন্ট ব্রেলফিয়ার অমদি কলচরেল কোওদিনেটরগী মখাদা মুসুগী সেক্রেটরিশিংনা য়াম্না মওং তানা শিনখিবা অসি য়াম্না মপুংফানা পাংথোকখি হায়বা য়াই অমদি তুংদসু কয়ারক হন্না পাংথোরকখিগনি হায়বগী অচৌবা অশা থমজরি।

মসিদা নত্তনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হৌখিবা চহি ৮দা য়ুথ ফেষ্টিবেলদা ইষ্ট জোনগী তিম চেমপিয়োন লৌখ্রে। ইন্টর য়ুনিভর্সিটিদসু অর্চরিদা তিম চেমপিয়োন লৌখি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মশনাশিংদা মাংজিল থাদুনা লাকখিবা অদু য়াম্না থাগৎনিঙাইনি হায়নসু মখাতানা হায়খি।

থৌরমদুদা, মুসুগী প্রসিদেন্ট চিংসুবম মঙমেলতোন থৌরম মপু, এম য়ুগী দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ব্রেফিয়ার প্রোফেসার নাওরেম মোহিলাল মীতৈ, এম য়ুগী এ দি এস ডোক্তর সি ঐচ প্রদিপ অমসুং এম য়ুগী কলচরেল কো–ওর্দিনেটর ডোক্তর মাইবম চৌরাজিৎনা ...মখা লমায় ৫ দা

## পোইরৌখোঙজিলদা অতোপ্পা মীরেপ চংহন্দনবা ব্রারেপ্লখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অসিগী মতম নকশিলকপগা লোয়ননা কেন্দ্র খরদদি মীখলগী থবক থৌরমশিং চংশিনবা হৌখ্রে। অন্দ্রো কেন্দ্রগী পোইরৌখোঙজিলদা মীখল অসিগা মরি লৈননা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা চংহন্দনবা ঙসি পাঙথোকখিবা খুঙ্গং অসিগী ক্লব ৯ অমসুং মৈরা পায়বী লুপশিংগী অপুনবা ব্রারেপ অমা লৌখ্রে।

ঙসি পোইরৌখোঙজিলগী ক্লব ৯গী অপুনবা পোইরৌখোঙজিল য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনায়জেসন অমসুং ব্রুমেন ব্রেলফেয়ার এসোসিয়েসন পোইরৌখোঙজিলনা পুন্না শিন্দুনা পোইরৌখোঙজিল ময়ায় লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোখিবা নোংমগী ওইবা পোলিতিকেল কনফরেন্সতা ব্রারেপ অসি মীয়াম্না লৌখিবনি।

ঙসিগী মীফম অদুগী ব্রারেপশিং লাওথোক্লদুনা পোইরৌখোঙজিল য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ জুগেনা হায়, ঙসিগী পোলিতিকেল কনফরেন্স অসি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা অন্দ্রো কেন্দ্রদা করম্বা মীহুৎ থাগৎলগা প্রজাশিংগী হকশিং শিন্নদুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা ঙমগদগে হায়বদু খন্নবনি।

ঙসিগী মীফম অসিদা মীয়াম্না মহাক মহাক্কী অপাম্বা পুম্বা অরোন অথুপ লৈতনা ফোঙদোক্নবা খুদোং চাবা পীবনি। পুন্না ব্রাঙাংলোয় ১৫না মশা মশাগী অপাম্বা অনিংবা ফোঙদোক্লিংবা ব্রাফমশিং অথিংবা য়াওদনা ফোঙদোকহনবদা হৌজিক কেন্দ্র অসিগী মীহুৎ ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারনা কেন্দ্র অসিগী প্রজাশিংগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিং, য়াইফ থৌরাং কয়া অসি য়েংলগা মহাকপু শৌগৎনবা লেপ্পুরে।

মীখল অসিদা পার্টি দরকার ওইদে। শ্যামকুমারনা লেপ্পা পার্টি অদুদা শৌগত্তুনা মহাকপু মীহুৎ ওইনা থাগৎপগা লোয়ননা পোইরৌখোঙজিলদা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা চংবা য়াররোই হায়না ব্রারেপ তাখি।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা মীখলদা মীরেপ ওইগে হায়বা তারবদি প্রজাশিংগা...মখা লমায় ৫ দা

### ব্রাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্না মায় পাকপা পাল্লবদি নহাক্কী মায়থিবগী চাং অদু শরুক অনি হেনগৎহল্লু

### অহানবা কাখল

## য়াওশঙ মনুং সরকারগী ছুটি লৈরোইদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃমণিপুর গর্ভনরগী মীংদা জি এ দিগী দিপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না য়াওশঙ মনুংদা সরকারগী ওফিসশিং ছুটি ওইরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

জি এ দিগী দিপ্যুটি সেক্রেটরী চুংজালেন থাংজিওনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট সরকারগী মখাদা লৈবা ওফিসশিং খক্তা নত্তনা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুট পুম্বা মার্চ ২০ দগী ২৮ ফাওবা অদুম্মক হাংদুনা ওফিস কাগদবনি হায়রি। ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না গভর্নমেন্টকী ওফিসারশিং / ওফিসিয়েলশিং / বেঙ্ক ওফিসিয়েলশিংনা নোংমাইজিং তারিবা মার্চ ২০, য়াওশঙ হৌবা নুমিৎ মার্চ ২৩, য়াওশঙগী মরিনিচনবা মার্চ ২৬(রেষ্ট্রিক্তেদ হোলিদে), মার্চ ২৭(নোংমাইজিং) অমদি বিজয় গোবিন্দদগী হলংকার নুমিৎ ওইরিবা মার্চ ২৮ (রেষ্ট্রিক্তেদ হোলিদে) অসি ইমপ্লোই খুদিংমক্না ওফিস কাদুনা মপুং ফানা থবক শুগদৌবা নুমিৎশিং ওইগনি হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।


## অরিবা বোম অমা ফংলে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ ঙরাং নুংথিল পুং ৫ রোম তাবা মতমদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেলশিংনা ওইনাম বজারদা লৈবা ওইনাম মংলেম্বা (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোমচাগী ময়ুমদগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা শিজিন্নরম্বা অরিবা বোম অমা ফংলে হায়রি। বোম অদু মংলেমজাওনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মশাগী ইংখোল তৌবদা থেংনরকপদগী ময়ুমদা থমজিন্দুনা থল্লম্বনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

### লোৎরেদনা

শরোই নঙনা হোৎতনা পায়রকইদুনা কৈদৌরে.. হেঞ্জুনহানা তান্নরক্লব্রা?



তান্নরকপা নত্তে, অসিদা পুলিসনা চেক্ কন্না তৌহৌই কন্থবসু য়াওহৌরে ভি দি এফ মাল্লি অদুগীনি

### হেক্তা হায়জিনবা

- ভোত মমাঙসিদা জাৎ–জাৎকী লাংসি থাকইদকো সৈত্যা।
- কনানা করি করম্বা লাং লংলগেনে?
- পুলিস কনষ্টেবল ২৩০৬, রাইফলমেন ৫১৯ লৌনি হায়রিসিদি।
- হোয়নে হৌজিক থবক তৌরিবা কাংবু ফাওবা তলব পীনিঙাই লৈতদনা হা..হা.. লাউনরিঙৈসিদা ময়ামদুনা কদায়দগী কোৎতৌরিনো খঙদ্রেনে।
- অদুগী ব্রাদু লায়খ্রপোৎনি, মথংগী সরকারনা মরাইনা য়েংনজহৌনি। হৌজিক্কীদি কনষ্টেবল ২৩০৬ রাইফলমেন ৫১৯ লুপা লাক্ষ মঙা–মঙাদং পাদুনা য়েংউ কয়াম য়ামখ্রবনো।
- অদুদি ভোট লেপ্লবা পৈশা লায়না খোমগৎপগী ব্রানিনে।
- অদুনিনে অপংবগী মরল অশিংবনা চাবা হায়দো।
- য়াইদা অঙম–অঙম্বা হায়দুনি।